# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ন্যু দেল্লীদা মিনিষ্ট্রি ওফ স্কিল দিভেলপমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রেন্যুওরশিপনা শীন্দুনা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা স্কিল ইন্দিয়া কম্পিটিসন ২০২৩-২৪দা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী অলদিসোনা ঙাঙোমদা চীফ সেক্রেটরিনা খুদোল তমখিবা


কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা পিছ কম্মিটিগী মরুমদা ... লামায় ২

লামায় ৪ হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ইঙেল্লৈ

শেল য়েনবনা মীহুৎ ওইরিবমখৈ লৈবাক চাওখৎলরোই... লামায় ৫

লামায় ৬ : 'লায়রবা মীচমশিং করিগীদমক বলিগী হামেং...

সি বি আইনা লালু প্রসাদ যাদবগী মথক্তা জোব স্কাম ... লামায় ৮

লামায় ১২ থাঙ-তাগী সেলেক্সন ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি


বোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা হন্দক্কী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন রিজল্টদা সী জি পি এ-১০ (৯৫%) মার্ক ফংলকখ্রবী রীনে অহৈবমবু চঙাঙ্গৈগী ব্লোজম স্কুলদা তরাম্না ওক্তুনা খুদোল তমখিবা




Vol. 48, Issue No. 067 | থাংজ, ইঙাগী নীনি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, June 08, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# মীখল মতুংদা মণিপুরগী লান উচিদা অমুক হঞ্জিল্লব্রা জিরিবামদা লাঞ্জেন্নরে, সেকমাইদা বোম-নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে

## ঙসি কম্মান্দোগী টিমশিং জিরিবামগীদমক খোঙশাল্লগনি

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা এপ্রিল ১৯দগী থা অনীরোম চূপ্পা ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবদা সিট অনী লৈবা মণিপুরদসু মীখল অসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লিঙৈদো মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান লকক তৌরুরবসু মীখল অসিগী ভোট মশীং থিবা লোইশিনখিবগা ইকান কান্নদনা ঙরাং জিরিবামদা মীওই অমা ফাদুনা পুরবা মতুংদা তমথীনা হাৎতোল্লক্স্বগী থৌদোক থোকখিবগা ইরোয়ননা সেকমাইদসু কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী লান অসিগী ফীভম উচিদা অমুক হঞ্জিল্লব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ঙরাং জিরিবামগী সোরোক অতিংবী খুনৌদগী সোইবম সরতকুমার অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ববাহল কৌবা মীওই অমবু মীহাৎ থীনা হাৎতোল্লক্স্বগী মতাংদা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা পাঞ্জেল ক্লব অমদি কংলৈচা ক্লবনা শীন্দুনা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

ৱাই শসিকুমারনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা খুনৌ কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা জিরিবামগী সী এস ওশিং অমদি ক্লবশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অসিনা ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মায়োক্তা মীওই ১১না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭





জিরিবামদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা নুপী-অঙাং য়াওনা মীতৈশিংবু শাফগদবা মফমদা থংদোকপা (ওই) কাংপোকপীদা কুকি টেররিষ্টশিংনা কেম্প অমদি বঙ্কর শাজিল্লকপা চীং

# নরেন্দ্র মোদিবু লোক সভা, বি জে পি অমসুং এন দি এ পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা খনখ্রে

## প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা অইবা চেরোল পীখ্রে, নোংমাইজিং নুমিৎতা নরেন্দ্র মোদিনা ৩লক শুবা টর্মগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই

### চহী ১গী মনুংদা মীদ-টর্ম ইলেক্সন উবা ফংলগনি : ভুপেস বাঘেল

**ন্যু দেল্লী, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** বি জে পি খক্তনা অনৌবা য়ুনিয়ন লৈঙাক শেম্না য়াবগী মথৌ তাবা মশীং য়ৌদবদগী এন দি এগী মিংদা মপাংনি হায়বা তোঙান তোঙানবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১



**ন্যু দেল্লী, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** থা অসিগী ৪গী অয়ুক্তগী হৌরদুনা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশীং থিবা পূল্লোই লোইরবা মতুংদা মমাঙথক্তা অনীরক থংন-থংননা এন দি এগী লৈঙাক লুচিংলকখিবা বি জে পিনা লোক সভাগী অপূনবা সিট ৫৪৩গী মনুংদা ২৪০ খক্তমক ফংদুনা পার্টি অসি খক্তনা অনৌবা লৈঙাক শেম্নগী মথৌ তাবা মশীং য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু চৎমিন্নরক্লিবা এন দি এগী মপাংশিংনা অমুক্তসু নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা অনৌবা লৈঙাক শেম্নদা শৌগৎকনি হায়রকপদা নক্তনা মহাকপু লোক সভাগী লিদর অমসুং বি জে পি অমদি এন দি এ পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লিদর খনখিবদগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নরেন্দ্র মোদিদা মহাক্না লুচিংবা অনৌবা য়ুনিয়ন লৈঙাক শেম্নবগী ইনভিটেসন পীখ্রে।

প্রসিদেন্টনা পায়খৎলক্লিবা অনৌবা লৈঙাক শেম্নগী থৌরাং অসিগী মতুংইন্না লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী অহুম্লক শুরকপা টর্ম ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# 'আইদিয়া ওফ ইন্দিয়া' ঙাক্লবগীদমক বি জে পিবু মায়োক্লদুনা চেলেঞ্জ তৌখি হায়না সী পি আইনা মীয়াম্বু থাগৎলক্লি

**ন্যু দেল্লী, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** এপ্রিল ১৯দগী হৌরক্লগা থা অসিগী ১ ফাওবদা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী থা অসিগী ৪দা ভোট মশীং থিরবা মতুংদা ফংলকখিবা রিজল্টগী রিভিয়ু মীটিং অমা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী ন্যু দেল্লীগী অজয় ভবনদা লৈবা সেন্ট্রেল ওফিসতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুসনন পীরিবা 'আইদিয়া ওফ ইন্দিয়া' বু ঙাকচনবগীদমক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না বি জে পিগী মায়োক্তা লেপ্পুনা পার্টি অসিবু চেলেঞ্জ তৌখি হায়রদুনা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



সী পি আইগী কমরেদ অজিজ পসা (ফাইল ফোটো)

সী পি আইগী সেন্ট্রেল ওফিস অসিগী ওফিস সেক্রেটরি রোইকুট্টিনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা পার্টি অসিনা ইলেক্সন রিজল্ট রিভিয়ু তৌবগী মীফম অদু ঙরাংদগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবদা নুমিৎ নীনি চূপ্পা পাঙথোকখিবনি। পার্টিগী কমরেদ অজিজ পসানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজানা ইলেক্সন রিজল্টকী রিভিয়ু পুথোকখিবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা হৌখি।

নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# নুপীমচা মহৈরোয় হাৎপদা চেন্নবা মীওই অহকপা চৈরাক পীগদবনি : পি এস দি সী

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং খোংজেম সাপমদা লৈবা ইবেমহল ভিশাল একাদেমিগী ক্লাস সিক্স খক্তমক তম্লিবী নুপীমচা অমবু স্কুল কারকপদা লম্বীদা তমথীনা হাৎতোকপীখিবা থৌদোকপু প্রাইভেট স্কুলস দিভেলপমেন্ট কাউন্সিল (পি এস দি সী) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চেন্নবা মীওই অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি।



থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি ফেন্সিয়র হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কাউন্সিল অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জোতিন সলামনা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসি ফাদুনা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টতা ৱায়েল্লগা অথুবা মতমদা চৈরাক পীবীয়ু হায়না আপীল তৌখি। থৌদোক অসিগী মায়োক্তা লৈখিদ্রবীগী ইমুং অমসুং জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইরক্লবগী মরম ওইরক্কনি : কোকোমি

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৫গী নুমিদাংদা খূৎলায় মতিক চানা পায়বা খূৎপু অমনা কোকোমিগী কো-ওর্দিনেটর সোমোরেন্দ্রো থোকচোমগী য়ূমদা চথরম্বা এটেক তরাইনা লৌদে হায়না কোকোমিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খূৎলায় পায়বশিং অদু হৌখিবা মে ৮গী নুমিদাং পুং ১১ রোম তারকপা মতমদসু লাক্লম্লবনি। ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বা লূপ অমত্তগা কোকোমিগী কো-ওর্দিনেটর অসিগা হীরম অমত্তদা য়ানদবা অমদি নুংঙাইনদবা লৈখিদে। করিগীদমক্তা অসিগুম্বা থৌওং অসি চথরক্লিবনো হংলদুনা মখা তানা চথরক্লবদি মসিগী অফ-ফত্তগী তেকচাক পূম্বা চথরক্লিবশিং অদুনা পুগদবনি হায়রি।

লোয়ননা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা য়েংথিনদুনা তোখায় তান্নবগী থৌওং অসিদি মীতৈ মীয়ামগী মথক্তা লান্দারক্তুনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবা য়েক্লবশিং হরাওনবগী থবক থৌওংনি। অসিগুম্বা থবক অসি খুদক্তগী লেপকদবনি অমদি মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌরক্লবগী মরম ওইরক্কনি হায়রি।

# মহৈরোয় হাৎখিবা য়ানীংদে, স্কুলগী অকোয়বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োল্লম্লবদি দুকানশিংনা তেকচাক পুজগদবনি : ফেসোক

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং ক্লাস সিক্স তম্লিবী নুপীমচা মহৈরোয় অমবু তমথীবা মওংদা ফূবদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদবা থৌদোকপু ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, কংলৈপাক (ফেসোক) না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরকপগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্না খুন্নাইসিদা হকথেংননা অমসুং নাকোইননা ওইহল্লক্লিবা মাঙজবা কয়াদগী কলহৌনবগীদমক মহৈশঙশিংগী মিটর ১০০গী মনুংদা দুকান ফম্লিবশিংনা স্কুল অৱর মনুংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়োনব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি। করিগুম্বা য়োল্লম্বা থেংনরবদি পোৎলমশিং অসিবু য়োল্লম্লিবা দুকান মপূশিংনা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুজগদবনি হায়রি।

# হুরানবশিংনা চৌকিদার থাঙনা থিল্লম্লে

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** ককচীং পি এসকী মনুং চনবা ককচীং মোরাম্বদা লৈবা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্টতগী পোৎ চৈ হুরানবা লাকপা মীওই ৪না প্লান্ট অসিগী চৌকিদার ফূবদা নত্তনা থাঙনা থিল্লম্বদগী শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

শোক্লবা চৌকিদার অদুগী মমিং ময়াংলম্বম রাজেশ্বর (৪০) অপোকপা এম রাজেন কৌই, ককচীং পাজি লৈকায়দগীনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ঈচাওনা শোকহল্লবশিংদা মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপনা তেংবাঙখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওনা শোকহন্দুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা মীওইশিংদা মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপ (মাকপাল) গী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই ইবেয়াইমা অমসুং রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফেয়র এসোসিএসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রি তমানা লুচিংবা নুপীশিংনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

চীংমৈরোংগী তাঙ্খুল চর্চ, আই এস বি টি কেম্পস অমদি খুমন লম্পাক্কী মনীংদা লৈরিবা নমদুলোংদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংগী মীওইশিংদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবনি। থৌরাং অসি মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবদা খরদা ওইরবসু কোক্লনবা পায়খৎলকপনি হায়রি।

# জিরিবামগী মীয়াম্না লৌখৎলকপা থবকশিংদা শরুক য়াগনি : কে এস এ

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুংথিল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ফাইনান্স সেক্রেটরি এস রোনেলগী অপোকপা সরতকুমারবু কুকি টেররিষ্টশিংনি চিংনবশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং তমথীবা মওংদা হাৎলমখিবা থৌদোক অদুবু কে এস এ জিরিবাম কাউন্সিলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মখোয়গী মথক্তা লোগী ওইবা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না কে এস এ, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাদ্রিবা ফাওবা কে এস এনা তূমিন্না লৈথোক্লোই। থৌদোক অসিগী মতাংদা চেন্নবশিং ফাননবগীদমক জিরিবামগী মীয়াম্না লৌখৎলকপা থবক খুদিংমক্তা শরুক য়াগনি অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

অমরোমদা, অপূনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অমসুং দিরেক্টর অনীনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদনা লৈখিদ্রবা সোইবম সরতকুমার অসি জিরিবামগী কেন এন্দ বেম্বু প্লান্টেসন প্রোজেক্টকী কোওর্দিনেটর অমসু ওইরম্মী। মহাক মণিপুরগী তুংগীদমক অশানবা মীৎয়েং থমখিবা মীওইনি হায়রদুনা জিরিবামগী মীয়ামগীদমক চোকথবা নাইদনা মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবগী থবক্তসু অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। মসিগী মথক্তা মহাক পুকচেল শেংবা অমসুং কখোল্লবা লৌমী অমসু ওইবগা লোয়ননা মহাক লৈখিদবা অসিনা মহাক্তা লোয়ননা থবক তৌমিন্নবগী খুদোংচাবা পূম্নমক মাঙহল্লে হায়রি।

অদুগা মহাক লৈখিদবদগী হাঙহৌরিবা মফম অসি মেনশিনবদা ৱানা থোক্লগনি হায়রদুনা মহাক্কী ইমুং মনুং অমসুং মরুপ মপাংশিংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রদুনা এইমসনা মহাক্লা মঙজরম্বা মঙলানশিং মঙফাওননবা লম্বীদা চঙশিন্দুনা মহাকপু নীংশিংনবা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙরাং নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা মুলারগাও অমদি ফাইতোল পার্ট টুগা তাইনবা মফম অমদগী ফংখিবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## অস! লোইরেহে!






# রিলিফ কেম্পতা লৈরবা ইমা-ইপানা শেল থোক্তবদগী চানীংবা অচাপোৎ ফাওবা লৈবা ঙম্লোই খঙদুনা লৈবীয়ু হায়দ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটতা লৈজরম্বদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএসনদা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ১১ অমসুং ১৫ খক্তা ঙাইরিবা মচিল-মনাও নুপামচা মহৈরোয় অনীনা পাউচে অসিদা হায়, ইমা-ইপানা চেক শূবা য়াওনা মীগী দুকান ফম্বদা মতেং পাংবনা শিনফম ওইদুনা শেল তাল্লগা ঐখোয়বু লাইরিক

## হকথেংনবা পাউদম

### চূড়াচান্দপুরগী সাইকোটতগী খুঞ্জা অনী

তমহল্লকপগা লোয়ননা ঐখোয়গী অৱাৎপা অমত্তা লৈহন্দনা হোৎনবীরকখিবনি। অদুবু লান হৌরকপদগী হৌজিক্তি রিলিফ কেম্পতা লৈরকপনা অপোকপা-অপোকপীনসু শেল অমত্তা থোক্তবনিনা চানীংবা অচাপোৎসু মখোয়না লৈবীবা ঙম্লোইদবনিনা লৈবীয়ু হায়দ্রে হায়না মথ্বায় নুংঙাইতনা পাউদম্লকখি।

ঈরাং হৌরকপা নুমিৎতুদা ঐখোয়দি স্কুল চৎনবা থৌরাং তৌরুবদা চীংমী ইমান্নবশিং অমত্তা স্কুল কান্নরক্লরোই, রেল্লি চৎপা য়াওরগনি হায়নরকপদগী ঐখোয়সু ইমাহোয়না স্কুল চৎহনখিদে। চীংমীশিংনা হৌরকপা ঈরাংনিনা খরা কনগদবা মাল্লি হায়খি। অয়ূক্তগী চীংমী ময়াম অমা য়াম্না ঈংনা-তপ্পা অকনবা ৱা অমত্তা হায়নদনা লম্বীদা রেল্লি চৎলি। ঐখোয়সু লৈকায়দা চীংমী ইমান্নবশিংগা শান্নদুনা লৈখি। মচিল মনাও অনীগী মনুংদা ময়াম্বনা চীংমীগী য়ূমদা ট্যুসন তৌরগা লৈখি। নুংথিল ওইরকপদদি ঙসাই মখৈ তূমিন্না রেল্লি চৎলম্বা চীংমী নুপাশিংদুনা লাউ খোংলকপগী মখোল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# হীদাকনি হায়দুনা বোম পীরম্লে

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** পোরোম্পাৎ পি এসনা কোল্লিবা পোরোম্পাৎ সোইবম লৈকায়দা লৈবা দাইএবেটিক্স হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরদা মীওই অনী লাক্লগা হোস্পিটাল অসিবু চলাইরিবা থাংমৈবন্দগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা ডা. মোইরাংথেম ধনবীরদা পীগদবা হীদাকনি হায়দুনা পোলিথিন অমুবা অমনা য়োম্বা বোক্স অমা পীরম্বদগী হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা বোম ওইরম্লে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# শকখঙদবশিংনা ফাখিবা মীওই ফংদ্রি

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৪গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা মোরেদগী ইম্ফাল তম্না লাকখিবা ইকো ভেন (এম এন-০৪/পি-১৯২১) থৌরকখিবা মীওই অমা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তেংনৌপল অমদি সাইবোং খুল অনীগী মরক্তা খূৎলায় পায়বা কম্বেট দ্রেশ শেৎপা মীওই খরনা ফারগা পুখিবদু ঙসি ফাওবদা ফংবা ঙমদ্রি।

শকখঙদবশিংনা ফাখিবা মীওই অদুগী মমিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# গোদাউন য়াওনা দুকান ৩ মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০৭ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মোইজিং খোঙকোক্তা লৈবা মচিল মনাও অহুমগী ফার্মাসি, মোবাইল রিপ্যারিং সেন্টর, গ্রোসরিগী হোলসেল দুকান অমসুং গোদাউন অমা য়াওনা মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙরাং নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। ইলেক্ট্রিক সোর্ট সর্কিটতগী হৌরকপা মৈনা চাকপা ওইরমগনি থাজবা থৌদোক অসিদা পূন্না লুপা লাখ ৫৭ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫